# পূনশিনসি ঐখোয়

জুন থাগী ময়াই চল্লকপা, মে ৩, ২০২৩ দগী হৌখিবা কুকি-মৈতৈ লান'সিগী মায়ওন কদোম ওল্লক্কদগে চমন্নরিঙৈ, দিল্লি তম্না চৎলগা প্রসিদেন্ট অমসুং প্রাইম মিনিষ্টর উন্নরগা মেমোরেন্দম পীশিল্লগা অচুম্বদু করিনো পাউদম্লুবা কান্নগনি খন্দুনা, তোঙান তোঙানবা মীওইশিং কাঙলূপ কাঙলূপ শেমদুনা দিল্লিরোমদা হোৎচিন্নরিঙৈ মতমনি। ৱারেঙজরিবা ইশামকসু মণিপুরগী কলচরেল এক্তিভিষ্ট, কলাকার অমসুং অইবশিং পূনশিন্দুনা 'কৈদৌসিগে' খন্নরগা, পোলিটিসিয়ন অমসুং পোলিটিক্স কলর শঙলবা লূপ অমসুং মীওই কাঙলূপ কাঙলূপ ময়াম চঙশিন্নরিবসিদগী তোঙানবা খোঞ্জেল অমা পীরুসি হায়দুনা, ইন্দিয়াগী তোমথিন ওইবা থৱায়মিচাক, ইন্টরনেসনেল থিয়েটর-আইকন, শ্রী রতন থিয়ামনা লুচিংবা মীওই তরাহুমদোইগী টিম অদুদা য়াওদুনা ৱাংলবা আশা অমা পুদুনা চৎলুই দিল্লিদা খোঙচৎ অমা। ইন্দিয়া হায়বা নেসনসিগী শক্তম অমা শাগৎপদা মণিপুরগী শক্লাইরবা কলাকারশিংনা শেমখিবা কলাগী খুৎশেম কয়ানা কল্লিবা, শেত্তোকফদ্রবা শরুক অমা ওইখিবদু শৈথাদুনা শেন্বা নীংশিং ৱারোল (মেমোরেন্দম) অমা লৈপাকসিগী প্রসিদেন্ট অমসুং প্রাইম মিনিষ্টরদা পীশিনগে অমসুং অতেনবা ৱারোল অমত্তং থল্লমগে খনবা ৱাখলদুনা লমজিংলগা চৎপনি। ষ্টেটসিগী চীফ সেক্রেটরিনসু কায়বা য়াদবা ওফিসল প্রোসিজর পূম্নমক কান্দনা হায়জ-ৱারোল পীশিনখ্রবা মতুংদা এপোইন্টমেন্ট শোয়দনা পীরক্লনি হায়বা মতম পুংফম য়েংলগা চৎলুরিবা খোঙচৎনি। প্লান য়াওদবা খোঙচৎ নৎখিদে।

দিল্লি য়ৌরগদি খঙলে-ৱাখল মান্নদবা পোলিটিসিয়ন, মীয়ামগী মীহুৎ অমদি সোসল ওর্গনাইজেসনশিংগী লুচিংবশিং কাঙলূপ কাঙলূপ খায়দোক্লদুনা ময়াম অমা লাক্লল্লে। খরা অমসু লৈরল্লি। প্রেস মিদিয়া অমত্তনা মণিপুরগী ইস্যুসি মরু ওইবা ইস্যু অমা ওইনা লৌরমদে। মৈ হৌরবা ইস্যুসি, নেসনেল ন্যুজ পেপর অমত্তগী হেদ লাইন ন্যুজ ওইরমদে। অদুক য়ান্বা পোলিটিকল লিদর ন্যু দিল্লিদা লৈরম্বদু ন্যুজ রিপোর্টর অমত্তদা ফেকচুয়েল রিপোর্ট তৌরমদে। রতন থিয়াম লাক্লে তাবদা মিদিয়া হাউজ কয়ানা 'ৱারী শাজগে' হায়রকপা, ওজানা অয়াবা পীখিদে। 'মতম অসুক কুইবসি, নাকল অমগী মীচং লেপ্পা রিপোর্টিং তৌদুনা লাকখিবা করিগী... মফমদুদা চৎলগা ফেকচুয়েল রিপোর্ট লৌরুদবা করিগী... হ্বায় সুদ আই স্পিক টু দেম'...? ওজা রতনগী ৱাহৈনি। অদুবু, ঐখোয়না কন্না হায়জরগা, শক্লাইরবা জর্নেলিষ্ট করন থপ্পর'না কন্না তক্লরগা, 'দ ৱাইর' হায়বা য়ু ট্যুব চেন্নেলদুগীদমক মিনিট ৩৬ কী ইন্টরভিয়ু অমা রেকোর্দ তৌখি- 'হয়েংদগী চৎকদৌরিবা প্রাইম মিনিষ্টরগী ফোরেন-টুর অসিদা মপাঙ ওইনা চৎমিন্নগদৌরিবনি, ঐঙোন্দা ৱারী শাবসি পি এমদা ৱারী শাবগুম্বনি দাইরেক্ত ওইনা পাউ তম্লগদবনি'... করন থপ্পরগী ৱাহৈদুদা ওজানসু ৱাখল খরা খন্থরকখিবরা? ঐখোয় মশেল খন্নখিবনি।

রতন থিয়ামগী ইংলবা শান্তিগী পাউজেল নরেন্দ্র মোদিগী ওইথংবা নাকোংদা চঙলগা য়েৎথংবা নাকোংদা থোকখিরমগনি। য়ু এস এ অমসুং গ্রীস'তগী হল্লক্লবা তুংদসু পিএম মোদি-মণিপুরগী ৱা ঙাঙলকখিদে। মণিপুর মীয়ামগী খোল্লাউ মাগী নাকোংদা চঙখিদে। মণিপুরদা লৈবা মী, জঙ্গলীশিংগী থৱায়গী মমল, তূমীৎ-কাঙ মহিক্কী থৱায়দুগা চাংদম্নখি। নুমিৎ ৭৫ নিগী মমাঙদা থোকখিবা থৌদোক অমগী সেকেন্দ ৩৬ শাংবা ভিদিও অমা ভাইরেল ওইরকখিবদুগী মতাংদা সেকেন্দ ৩৬ শাংবা, সাউন্দ পীবা ষ্টেটমেন্ট অমা পীরম্লগা অমুক তুমিন লৈশিনখি। পার্লিয়ামেন্টকী মোনসুন সেসন মাঙওইননা পীবা ৱাফমদুনা পার্লিয়ামেন্টপু থক থক নীকহন্নবা মরম ওইরকখি। হৌবদগী তরেৎনি, সেসন ফম্বা ঙমদনা অরেম্বদা মাঙখ্রে। ওপোজিসনগী দিমান্দ'নি... 'হাউজগী বিজিনেস পুম্বা, তুংওইনরগা, নুমিৎ অমা, মণিপুরগী ইস্যু খন্নগদবনি-দ প্রাইম মিনিষ্টর সুদ স্পীক...। রুল্লিং পার্টি, বি জে পি'না হায়রিবনা... 'পুংখায় অমগী সোর্ট-দ্যুরেসন-দিস্কসন পাঙথোকসি... মণিপুরগী ৱাফম খন্ননবা ঐখোয় মতম চূপ্পদা শেম শারি'...। নুমিৎ তরেৎনি, হঞ্জিন হঞ্জিন য়েথোক্তুনা অরেম্বদা মাঙহন্দৌ' শরুক, নোংমা কাইথোক্তুনা খন্নরম্লবা, মণিপুরগী মতাংদা মোদি অমসুং মাগী লৈঙাকসিগী অচেৎপা ফিরেপ করিনো? লৈপাক'মাঙদা নহান্না শবাক ফাক্লম্ল'নি... লান অসি লোইশিনবা নত্ত্রগা শাংথবা, অরেপ্পা অমা খঙলম্লনি। হৌজিক্তি 'মণিপুর ইস্যুনা মরম ওইদুনা বি জে পি লৈঙাকসিদা থাজদবগী ৱাফম ওইনা খন্নবা তারেদো, স্পীকর'না অয়াবা পীখ্রে। নাম্মা হায়রিঙৈ য়াদ্রগা পোৎ'মা হায়রগা য়াই হায়বগী থৌদৌনি।

হৌজিক্তি স্পীকর'না অয়াবা পীখ্রবনা 'মোসন' অসি, নুমিত্তুদই পারগা নুমিৎ তরানিগী মনুংদা খন্নদবা য়াররোই। নুমিৎ হুম্নি হৌখ্রে, তরেৎনিদা ঙায়রক্লে। করি খন্নবা/খন্নদবা... কনানা করি হায়রক্কদবা... মদু ঐখোয় ৱাররোইসি। পার্লিয়ামেন্টরিয়নশিং অমসুং মখোয়না য়াওরিবা পার্টিশিংদুগী মথৌনি। মখোয়সু মখোয়গী মথৌ তৌজসনু। মখোয়গী অহানবা থৌদাং 'মচোই মচোই তারম্বা, পূনশিনবা য়াদবা ওপোজিসন পার্টিশিং, পূনশিনখিবগী পাঙ্গলদুনা, পীকখ্রবা ষ্টেট অমগী ইস্যুদা ইন্দিয়াগী পার্লিয়ামেন্ট হাউজ অনীমকপু নুমিৎ তরেৎনি বিজিনেস অমত্তা পায়খৎ ঙমহন্দবা'-অদুমদি মায় পাক্লা পাঙথোকখ্রে। লমদমসিদই মীহুৎ ওইনা চৎখিবা এম পি অহুমদুনদি ৱাহৈ অমত্তসু কাঙথোল্লুবা তৌদরি। য়েংসি-নো কনফিদেন্স মোসনগী দিবেট তৌনরকপদা কনানা করি হায়রকপগে?

হৌজিকমক্কী ওইনসু, মখোয়গী ৱা কাউথোকখিসি। ঐখোয় ইশানা ইশাদা হঙ্গৎন'মুক্তং য়েংজসি। পূনশিনবা ঙমদ্রবা ঐখোয়দি কৈদৌঙৈ পূনশিন্নগনি? ইশাদা'মুক্তং হংজসি। 'অপুনবনা পাঙ্গলনি'... 'তরাগী চৈশুনা লেংথোং ফায়'... হায়বনচিংবা ৱাহায় কয়া পারি পুরি হাক্তক্কী শেল্লম্লবসু ঙসিগী মৈতৈ খুন্নাই, অনী থোকপী, মচেৎ তবী... লীংজেল মান্নদবী অমনা অমগী মৱা লৌনদবী হুন্নবী...অনৌবা মীরোলগী বেসিক ক্যারেক্তর অমা ওইরকপগুম তৌরকই। 'ৱাইখূ কলচর'- অনৌবা মৈতৈগী খুন্নায়গী খ্বাইদই চূনবা শক্তাক ৱাহৈ অমা ওইরবগুম ঙাঙনরকই। মথন্তা নাইতোম লৈরবা-অৱাংবা অনেম্বা থিদনা, খা-ৱাং কিবা খঙদ' চৎখিবা। অনী নত্ত্রগা অহুমদগী হেন্না পুল্লবা, অমনা কাগে হোৎনবা অমনা মখোঙদা কোৎলগা মখাদা হেক্তা চিংথনবা, পুল্লপ-পুল্লপ লেঙদনা তাশিল্লগা অদুম লৈনবা।

অসুম্না পুল্লপ লেঙদনা তাশিল্লগা তুম্লঙৈ য়েনখাদা শাইদাংলবা ফুরুপ মচা খরনা পূনশিল্লগা ইয়ুম শঙ্গায়নুংদগী তাম্থোল্লগে লান্দারকপা, নাখোক্তুনা তুম্লম্বা মৈতৈশিং মীকপ খংথোক থোল্লকখি। খঙলকখি-কয়াম কুইনা তূম্লুরবা। কুইনা তূম্লুরবগী মায়-মীৎ পূম্নমক তুম্না মাঙ তাল্লম্লে। থৱায় হিংনবা চেনগদ্রা? এটেক তৌরকপা মীতোপ্পুদা চঙজগদ্রা? ইয়ুম-ইঙ্খোল কন্নবা, অফংবা খুৎলায় পায়দুনা য়েক্লবগা লাম্থেংনগদ্রা?

অহুমশুবা ওপসনসিনি-পায়খৎলিবা ঐখোয়না... থৱায়না পোম্থা পীদুনা ইয়ুম-ইঙ্খোল কনগনি। অদুবু কদায়! কম্থী থোকপা পাঙ্গল লৌশিংদুতা ঙায়রম্লে, অপুনবগী লীংজেলদুদি মাঙলম্লে। ময়ুম-মকৈ লৈতবা, হৌরকফম জাৎ খঙদবা, মীরমদগী চঙশিল্লকপা মীতোপশিংনা লান্দারকপদা, খোয়শাওনরবা মৈতৈ নহা-অহল-নুপীশিং লান পানবা থোরকপদদি মরিন ফৱা, লীংজেল খাবা, থৌনা ফবখক্তনা, নীংথিনা ত্রেন তৌরগা লান্দারগে খন্না চোংথোরক্লবা লান্মীশিংগা লানফমদা মায়োক্লবা য়ারোই খঙলক্লে। লান ঙম্বা হায়বসি লান হৈবা লান্মীশিংদুবু লমজিংবা, লানচীং-পুরেন অদুগী হৈ-শীংবা অমসুং এক্সপরিয়েন্সকী মখা পোনবনি। লানচীং-পুরেন অমগী ৱার-ষ্ট্রেটিজি য়াওদনা চঙলুবা লাঞ্জংদুগী মহয়নি-মমল য়াম্লবা থৱায় কয়া মাঙফম থোক্ত' মাঙখিবা। চীংখোঙ চীংয়া তময়াদা ময়ূম ইঙ্খোল কন্নবা, অপুনবা শক্তম ঙাক্লবা লাম্থেংনরিবা ইচা-ইনাওশিংগীদমক তাইবং মপুদগী পুন্সি চেংজেল নিরিবা, ঈহৌ মমায় চুল্লিবা ইমা-ইবেন অমদি সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনগী লীদরশিং-কাঙলূপ কাঙলূপ, নাকপাক নাকপাক লেপ্লবগুম অমত্তা ওইবা মান্দবা, অপুনবই খোঞ্জেল মান্দবা ইম্প্রেসন অমা লৈপাক মীয়ামদা উহনবসিনি খ্বাইদগী লাইবক থীবদি। হংদা হংজিল্লুরগা, মানবা নত্তে, অমত্তা ওইদবা মানবদু অচুম্বা ওইরমখি। ঙরাংতনি 'কোকোমি'না অচৌবা রেল্লি অমা শীন্দুনা মীয়ামগী মীফম ফমদুনা ৱারেপ কয়া লৌখিবা। অদুগা, ঙসিনা অমুক 'শুমাঙ লীলা শঙলেন'দা 'ফেদরেসন ওফ সিভিল সোসাইটিজ' (ফোক্স) না শীনবা 'পব্লিক মীটিং'! ৱারেপ খরসু লৌরনি। মিদিয়া'দা লাউথোরক্লনি। করি পাউজেলনো অতাবশিংদা পীদৌবা? 'নাগা হোহো' অমসুং 'কুকি ইনপি'- নাগা অমসুং কুকি অনীগী ওর্গনাইজেসন অনীনি। লূপ- লীশিং লৈসনু, লূপশিংদুগী লুচিংবা লীশিং/লীশিংদুগী মরক্তগী অমবু লুচিংবা ওইনা খল্লগা, থৌপাঙ লূপ অমবু পাউতাক্লোই ওইহনবা ময়াম্লু থবাক য়ৈহনবা খোঙথাং অমা' শোয়দনমক্কী ওইগনি।

'অপূনবগী পাঙ্গল'বু কল্লকচবা, অপুনবগী লীংজেলতনা য়েক্লবা খুদুম চন'ঙম্নি থাজজবা, ৱাহৈনা খূৎলায় ওইজবা লমদমসিগী অইবশিংনা ফম্বাক অমা শেমগৎচৈ। ফম্বাক্তুগী মমিঙনি- 'রাইটর্স ওফ মণিপুর। মিদিয়া' মাঙদা থোক্তুনা, প্রোটেষ্ট তৌবা, রেল্লি চৎপা-পান্দম নত্তে লূপসিগী। 'পূনশিনসি ঐখোয়'- খোল্লাউ অসি লাউনবা প্লেটফোর্ম অমা শেমগৎলম্বনি লূপসিনা। চীংখোঙ-চীংয়া, কাচিন কোয়া শীনবা থুংনা চত্তুনা লাউরম্বনি খোল্লাউসি। লাউরি ঙসিসু লম খুদিংমক্তা মচোই মচোই লেপ্লরিবা ঐখোয় অমুক্তা পূনশিনসি। পূনশিন্নবা খোঙচৎ অসিগী অহুমশুবা তাঙ্কক্লি- লান্মীশিংগী পুন্সি চেংজেল নিজবা। লমদমসিগী মীপূম খুদিংদগী চেঙ মুথ (খুয়া) অহুমখক, লাম্থেঙনরিবা লান্মীশিংগীদমক নিবই খোঙচৎসিদা য়াওশিনবীয়ু অদোমসু। থাজবীয়ু-ঐখোয় শোয়দনা পূনগনি। ঐখোয়না মায় পাক্কনি। ●

-*ইন্দ্রকুমার*

# 'মমা ওইবীশিংনা ৱারৌই'

মৈতৈ হায়বা ফুরুপসে ঙাকপীহৈবনি, কনবীহৈবনি চংজরক্লবা খুদিংবু নুংশিনা ঙাকপীরগা কনবীরগা কোনশিনজবা ঙম্বা মীওইনি হায়নৈ। নুপী অঙাংবু থাক ৱাংনা ইকায়খুম্নবীরিবা ফুরুপনি খন্দুনা য়াম্না চাওথোকনা লৈজরিবনি। লৌশিং শীংবা, লাইরিক লাইশু হৈবা, শুবা-নোম্বা কনবা, মীগী মীপাল তাংদনা মনীং-মখা তম্না লৈজরিবা, মীনা লাকচবা য়াদবা ফুরুপকী মীওইশিংনি।

ঐখোয়গী ফুরুপচাশিংদা থাজনা থমজবগা লোয়ননা চাওথোক্লা হিংজরিবা মৈতৈশিংগা অতোপ্পা মীরমদগী চংশিল্লকপা খূৎলায় পায়বা লালহৌবশিংগা পুনশিন্দুনা মৈতৈশিংগী মায়োক্তা লান কন্না থেংনরি। তাঞ্জাসিদা য়েক্লবনি হায়দুনসু নুপী, অঙাং, নীংনশঙ (লাইশঙ/মসজিদ/চর্চ) তা খূৎলায় থাবা য়াদে, শোকপা য়াদে হায়বসে ইচাশিংনা খঙবীরমদবা, ঙাকপীরমদবা অসিদি লাইবক থীবনি। মখোয়না তৌই হায়দুনা (চুড়াচান্দপুরদা মে ৩,২০২৩)দা মৈতৈ নুপী অমবু মমা-মপা, মবুং-মৌপ্পাগী মমাংমক্তদা রেপ তৌরগা হাৎখি। মদুগী পেন্দবা লমন খুম্নিংবা অদুগীদমক পাঙথোকখিবদি ওইরম্বা য়াই। মতাং অসিদা থমজনীংলিবা ৱাফমদি, মখোয়না শা-ঙাগী লিচৎ চৎলে হায়দুনা ঐখোয়সু অদুম্না হেক্তা তৌবদি তশেংনা লাল্লবনি। নুপী অঙাংদি কনবীফম থোকই, নুপামচা থৌদাং য়েংনবা, ওনশিন্নদুনা হাৎনবা, কাপ্লবদি নখোয়গী তৌফম থোকপনি। ঐখোয় নমা ওইবীশিংনা অহিং কয়া তূম্বা চাবা খঙদনা নখোয়গীদমক ঐখোয় লৈরি হায়দুনা চোংথোক্লিবসিনি। মচা ৱারকপা ঙমদবী মমা তাহনবীগনু। মতুং তারকপদদি নুপী অঙাংশিংবু ইকায়খুম্নবা উৎপীরগা কনবীবা, মরাল লৈরম্লগনা মদুগী মতিক চাবা চৈরাক পীনবা ৱায়েলশঙ লৈরি অদুনা পুলিসতা খূৎশিন্নসি। মখা তানা নুপী অঙাংদা অসিগুম্বা থৌদোকসি অমুক হন্না থোক্তনবা হোৎনমিন্নসি।

অসুক কুইরবা ৱাফম অমা পার্লিয়ামেন্ট মমাঙদা প্রাইম মিনিষ্টরনা ঙসি ফোঙদোক্লিবা অসিবুসু মখোয়না কনাগীদমক ৱা ঙাঙলিবনো খঙমিন্নসি। য়েংলুবা খুদিং নীংথিজবা, ফজবগী ফজবা ঙাক্তনা থল্লবা ইরমদম মণিপুর ঙসিদি মীকপ মীরাওখোলনা থল্লবা, মচা কায়নরবা, ময়ূম-মকৈ মৈ থাদোকপীদুনা লৈফম লৈজদ্রবা মীওই কয়ানা য়ামশিল্লক্লবা ইরমদম ওইখ্রে। হান্নগী নুংশি চান্নরা লৈমিন্নরম্বা ফুরুপচাশিং ঙসিদি করি থোল্লগদগে, হয়েংনা করি ওইগনি খনফম খঙদ্রবা, লৈতাফম খঙদ্রবা মীয়াম্বু হান্নগী মতৌগুম ঈংনা-চিক্লা নুংশি চান্ননা লৈমিন্নবা য়ানবা লৈঙাকলোয়শিংনা কন্না থৱায় য়াওনা হোৎনবীরক্লবা নোল্লুক্লা হায়জরি।

পীকখ্রবা ইরমদম অসিদা মচিল-মনাওনি, মমা অমত্তগী মচানি হায়দুনা চাওথোক্লা ফুরপচা খুদিংমকপু কোনশিন্দুনা নুংশিনা নাউকোনবীরক্লিবা মমাগী মশাবু মচেৎ কয়া থোক্লা থুগাইগে খন্নরকপা অসিমক য়াম্না লাইবক থীবনি। ঈংনা চিক্লা নুংশি চান্ননা লৈমিন্নরিবা ফুরুপচাশিংদা মপান্দগী মমা মশক খঙদবা মীচেন কয়ানা চিরোল ৱাহৈ কয়ানা নাউথেম্লগা, পাঙ্গল কল্লবনি, খূৎলায় মতিক চানা লৈরবনি হায়দুনা মমাবু কাউথোকহল্লগা মীনুংশি লৈতনা-মচেৎ তানা শেগায়গে খন্না মীহাৎ-মীপূন, মৈহৌ লাংপোক থোকহনবীরিবা অসি ৱাখল খন্থবীরো লেপ্পীরো, অমুক মখা চত্থনবা তোল্লকসি, নাকল অনীমক পূক্লিং ফাজিন্নরসি। মীনা ইনশিনবা হিগায় ৱা অমদি তোকঙা মখোঙ পানবা অমত্তা লৌররোইসি, তাররোইসি।

### CSO's (Civil Society Organisations) Roles:

ইরমদম অসিদা ফুরুপ মচাদগী অচৌবা ফাওবদা লৈরিবশিং অসিদগী তমজনীংঙাই ওইবা য়াম্না লৈ। ফত্তবা মখৈ হুন্দোক্লম্লগা অফবদুগী মতৌ তমহৌবদা কান্নবা য়াম্না ফংগনি। মীকপ থোক্তনা কুইনা শাংনা চহী কয়া তূম্লুরবা মৈতৈ ফুরুপ ঙসিদি ফৎত্রে হায়নরিবা মখোয়না নীঙাইদনা তূম্লম্বদগী হৌদোকপীদুনা মীকপ থোকহনবীরে। মীকপ থোক্লিঙৈ মতমসিদা অমুক তূমশিনগে হায়না খনবীগনু। মায়-মীৎ শিংলসি, অফ-ফত্ত খন্নদুনা তুংগী হৌরক্লিবা ইচাশিংগীদমক অফবা পোরম য়াৎপীরমসি, থৌনা, পাঙ্গল, লৌশিং হাপ্পীরমসি।

ইরমদম অসিদা ইমা লূপশিংগী ওইবা অপূনবা এপেক্স বোদি অমগী মখাদা পূন্না লৈমিন্নবদা করি অকায়বা লৈবগে? লৈবীরিবা লূপ খুদিংগী পান্দমদি অমখক্তনি খঙেঁ। ইমা লৈবাক্কীদমক শক্তম কঞ্জনবা (অপূনবগী) য়েলহৌমীশিংবু কন্নবা হোৎনবা, ইমা লৈবাক্কীদমক থৱায় ফাওবা কৎলবসু কায়দ্রে, মীয়ামগীবু য়াইফগনিবু হায়রবদি খন্দুনা চোংথোকপীরক্লিবা ইমা ওইবীশিংগী লূপশিং পুনশিন্নরগা অমখক্তমক ওইনবা শেমগৎপীয়ু হায়জরি, নোল্লুকচরি। অপংবী ইচম চম্না হিংজরিবী প্রজা অমা ওইনা ইকায়খুম্নজরবী ইমাশিংগী মফমদা হায়জবনি খনবীরগা অপংবী নচা ঐনা লানখিবা শোয়খিবা য়াওরবসু ঙাকপীয়ু হায়জরি।

ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসন কয়া কয়াসু লৈরি, অসিগুম্লবা মহৈরোয় লূপশিং অসিসু অমত্তা ওইনা পূনশিল্লগা তুংগী য়াইফনবা পোরম য়াৎপদা করি অকায়বা লৈবগে? ঐখোয় ৱাখল তামিন্নবা মথৌ য়াম্না তাই। ঐগী লূপ্না খল্লিবা তৌরিবা অসিনা মচুম্লে, মসি তৌদবা য়াদে হায়না খন্নবগী মহুত্তা ঐখোয় ঐখোয়গী তৌগদবা এইম এন্দ ওজবেক্টিভস অদুদা খন্নরগা য়ানরগা পূন্না অমত্তা ওইনা পুনশিন্নবিরো। ঐখোয় মচোই মচোই তোঙান তোঙান চৎনবগী ৱাখল্লোন থাদোক্লরসি, অপূনবনা পাঙ্গল ওইগদৌরিবনি, ঐনা লুচিংবা ওইদবা য়াদে হায়বগী ৱাখল্লোন থাদোকপীরগা ইমা লৈবাক ইরমদমগীদমক কৎথোকপসু খরা তম্লসি কৈদৌবগে? ইচাশিংগীসু ৱান অম্ব্রেলাগী মখাদা এপেক্স বোদি অমা শেম্বীয়ু হায়জরি, লূপ ময়ামগী অমখক্তমক ওইবা প্লেটফোর্ম অমদা পূন্না লৈহনসি, থবক পূন্না পূন্না অমত্তা ওইনা লেপমিন্নবা, তৌমিন্নবা পামজরুবগী হায়জবনি, লাল্লবসু ৱারৌবা তৌবীগনু, অপংবী মমা অমনা মচাশিংদা অপাম্বা ফোঙদোকচবনি, য়াইফগদবা, মাঙলোমদা চঙশিনবা য়াবা চঙশিন্নবা, অফবা খুন্নাই অমা পুরকপদা মসিনা অচৌবা মতেং ওইগনি খন্দুনা পুনশিনবীয়ু হায়জবনি।

সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসন ওইনা থৱায় য়াওনা ইমা লৈবাক ইরমদমসিগীদমক ঙমজবা থৌনা লিংজেল পাঙ্গল পুথোক্তুনা মীয়ামগীদমক য়াইফনবা হোৎনবীরিবা লূপ খুদিংমক্কী মফমদসু নোল্লুকচবগা লোয়ননা হন্না হন্না হায়জরি মদুদি পুনশিন্নবীরো। এপেক্স বোদি অমা শেম্বীরো, মদুদা লূপ খুদিংনা শরুক য়াবীরো, পূন্না খুন্নাইসিগীদমক ফুরুপসিগী য়াইফনবা হোৎনমিন্নরসি হায়না নোল্লুকচরি। লূপ খুদিংগী য়াইতোং খমদোংবা ইচিল ইনাওশিং কৎথোকপা, থাদোকপা তম্লসি। সোসাইটি অসিগী চাওরবা থৌদা থাবা য়াররোইদবা পোৎলূম কয়া ইকোকথকসিদা পুদুনা চৎলিবা নখোয়গী পুনশিনবগী, নুংশিনবা অপূনবগী শক্তম অদুগী লিচিং মখাদা অফবা মায়ওন অমদা পূন্না চৎমিন্নরসি হায়বগী ৱাখল্লোন অসি ময়ামদা ফোঙদোকচবনি। অসিগুম্বা লূপ অমা শেমহৌবা অসিনা তুং কোইনা লৈহৌবা য়াবা অপূনবগী এপেক্স বোদি (লূপ) অমখক্তা পুনশিনখিবা অসিনা খুন্নাইসিগী থবক থৌরম খুদিংদা পূন্না পাউ ফাওনরগা অমত্তা ওইনা পূন্না মপাঙ্গল লৈনা পূম্নমকপু (খুদোংথীবা কয়া থোল্লুকপদগী) থেংনবা ঙমগনি।

ৱাখল্লোন মান্নবা ঐখোয়গী পান্দম মান্নবা ক্লব, ওর্গনাইজেসন, ইমা লূপ কয়া ঙসিদি মায়কৈ মায়কৈগী শেম্নখ্রবনি। মসিগুম্বশিং অসিনা দিষ্ট্রিক্ত খুদিংগী লৈরিবশিং পূন্না পুনশিনবা তাশিনবা হৌরক্লিবা অসিদগী লূপকী লুচিংবশিং য়াওনা অপূনবগী অমত্তা ঙাইরবা লূপ অমখক শেমহঞ্জনীংবগী হায়জবনি। ইমা নুংশিবগী মীংদা লূপ কয়া শেল্লক্লিবসে তোল্লুকসি। মৈতৈদি অনীশুনা পূনবা য়াদে হায়নবদু পুনশিনবসু হৈ হায়বসে উৎকদবনি। লোয়ননা ইমাশিং, লৈবাক নীংজরিবা ইচাশিংনা কন্না লাম্থেংনদুনা ইমাগী ঙমখৈ কায়দনবা হোৎনরিবসে কনাগুম্বা মীওইশিংনা লান্না উহন্নবা, লানগী মায়ওন হোংহনখিনবা হোৎনরক্লিবা থৌরাংশিংদগী ঐখোয় চেকশিনসি। ●

-*সোবিতা মোংজম*

# 'য়েলহৌমীগী অপূনবা শক্তম্না হিংগৎনবা হোৎনফম থোকই'

চহী লিশীং অনী/অহুমগী মমাঙদগী চীংমী-তম্মী ময়াম্না লৈমিন্নরম্বা নিংথৌ পাল্লিঙৈগী মতমদগী মণিপুর হায়না খঙনদুনা মালেমগী খম থেংবা নোংপোক চিদাইদা লাইগী লৈবাক্কা চপ মান্নবা লৈবাক মচা অমা ওইনা লৈরম্মী। হায়রিবা মতম অদুদা লৈমিন্নরম্বা হৌখিবা লিরবা চীংমীশিং অচৌবা ফুরুপচা তাঙ্খুল, মাও, মরাম, পোমৈ, নোংপোক অমসুং চিংখৈ, অৱাং মায়কৈদা নোংচুপ মায়কৈদা ইমা ইবেম্মা লাই ওইখ্রবী রানি গাইদিনলিয়ুগী রোংমৈ, জেমৈ অমসুং লিয়ামৈ হায়রিবা অচৌবা ফুরুপশিং, তমদনা হায়রিবা ইমা গাইদিনলিয়ুগী রোংমৈ হায়রিবা কাঙলূপ অসি কবুই হায়না খঙনৈ। খা মায়কৈদা অনাল লোয়ননা ফুরুপ মচা কয়া মরুমগা লোয়ননা খুন্দারম্মী। অশেংবদি ফুরুপ মচাশিং অচৌবদগী খাইদোরকপনি। তমদনা মৈতৈ অমসুং কবুই লোয়ননা ইমা অমত্তগী মচা মৈতৈগা ইমা তিন্নবা মৈতৈ পাঙল মখোয়শিং মপানা মুসলিম ওইরবসু ইমাদি মৈতৈ ঐখোয়গী ইমানা পোকপা ঙাক্তনি। মখোয়দি ঐখোয়গী শেংলবা ঈ মরীনি। মখোয়সু চহী ৭০০কী মমাঙদগী লৈমিন্নরকখ্রবা ইচিল ইনাও অমদি ইচল ইচেশিংনি, ইমা অমত্তগী মচানি থাদোক্লবা য়াদ্রবনি। নুংশিরবা লাইগা মীগা শম্নরিঙৈ লিরবা মণিপুরগী মৈহৌরোলগী ৱারীদা মণিপুরদা লাইরেম্বা লাইরেম্বী অনীনা য়ূম পানমিন্নবা মতমদা মচা তরেৎ নুপা ঙাক্তা পোক্লম্মী। মচা অহলনা তাঙ্খুল অদুগা মথং-মথং মাও, মরাম, পোমৈ, মঙাশুবদা অনাল, তরুকশুবদা কবুই, তরেৎশুবদা মৈতৈ মখোয় তরেৎ অসিনি।

তাঙ্খুলনা অহানবা পোকপা লাই অহলনি। মৈতৈনা অতোনবা মচানি। অতোনবা মৈতৈ অসি লাইরেম্বা লাইরেম্বীনা ঙন্তা হুন্দোক্লম্বদগী ময়াম্বা অহল তাঙ্খুলনা য়াম্না নুংশিনা কেথোক্লা য়োক্লম্মী অদুবু অতোনবা অসে য়াম্না কেথোকপা মরৈ-মরা চাওবা মীওই অমা ওইরম্মী। তাঙ্খুল ময়াম্বা অহল অমদি তরুকশুবা ময়াম্বা কবুইনা য়াম্না নুংশিনা মরৈজাও মহাক্লা হায়রবা মখৈ মখোয় অনীনা তৌবিরম্মী। মৈতৈ হায়রিবা মনাও অতোনবগী মিং অসিদি ময়াম্বা অহল তাঙ্খুলনা মনাও অতোনববু মতম পূম্বদা মশা নানজবা, মশক লেম্বা, মমায় ঈশিংদা তাদুনতা লৈবা, মশক ফজনবদা হোৎনবা মহাকপু তাঙ্খুল ময়াম্বা অহলনা মাদি মায় তাদুনতা লৈ হায়দনা 'মাই তাই' হায়বা ৱাহৈদগী 'মৈতৈ' হায়না মিংথোনবা মনাও মৈতৈ মখোয় অনী অসি য়াম্না মশক ফজরম্মী, মচিল মনাওশিংগী মরক্তগী।

মতৌ অসুম্না মচিল মনাও তরেৎনা শারেপ ফাদুনা য়ুমলিংদুনা মচা-মচা পোক্লরকপা মতমদা তাঙ্খুলনা মনাও অতোনবা মৈতৈ অমদি তরুকশুবা কবুই অমসুং মঙাশুবা অনালদা তম্পাক লম পীথোক্লম্লগা তাঙ্খুলনা মনাও অহুম মাও, মরাম অমদি পোমৈ পুদুনা নোংপোক হারম অমসুং অৱাং চীংখৈরোমদা মথং মথং খুন্দাখিবনি। অনালনা খা মায়কৈদা চৎখি অদুগা কবুইদি মনাও নুংশিবদগী মৈতৈগী মনাক্তা লৈখি। কবুই মচা য়াম্না পোকই । মচা খরদি নোংচুপ মায়কৈ পাংনা চৎখিদুনা খৌপুম, নুংবা, তমেংলোংগী মফমশিংদা খুন্দাখি। অসুম্না কবুইশিং রোংমৈ হায়না খঙনখি।

অসিগুম্বা ফজখ্রবা নুংশিনা চহী লিশীং অনী/অহুমগী মমাঙদগী য়েলহৌমী হিলিমেন হায়লেনদর অমদি ভেলিমেন পূন্না নুংশি চান্ননা লৈমিন্নবা অসিদা মণিপুরদা লৈমিন্নরিবা কুকি ফত্তবা খরনা তৌরক্লিবা খোঙথাং অসিনা মণিপুর কায়নবা তৌরক্লিবা অসি অফবা খোঙথাং নত্তে, অপংবগী থবকনি হায়বদা হায়মনবা থোক্তে। মণিপুরদা কুকিশিং অসি চহী ২০০ রোম মৈতৈগা নুংশিননা লৈরক্লবনি। অসুক্কী মতিক মৈতৈ নিংথৌনা য়াম্না লুনা তৌদুনা নুংশি চান্ননা লৈমিন্নরল্লিবনি অদুবু লাইবক থীবদি ম্যান্মারদগী চঙলকপা ঈ শেংদবা চিন-কুকিশিংনা মণিপুরগী চীংমী লমদমদা লৈহন্দুনা খুন্দাবা ৱাফম অসিদগী থোল্লকপা ৱাফমনি হায়বদা অরানবা নত্তে। হায়রিবা ম্যান্মারগী অনৌবা কুকিশিং অসি থায়না মমাঙদগী লৈমিন্নরকপা খোংসাই হায়না মৈতৈশিংনা খঙনবা অরিবা মীওইশিং অদু নত্তে। খোংসাইদি নুংশিনখ্রবদি, য়ান্নখ্রবদি লোইরে। মথম্মোয় শেংই, য়াম্না তিন্নবা নুংঙাই, ঐনা নহা ওইরিঙৈদা কুমজা ১৯৫৬তা ঐগী ইপাগা অহানবা মণিপুর রাইফলসকী সুবেদার অমদি জেমাদার মখোয় অনীগা জিপ অমা ৱেপন কেরিয়র দোর্জ গাড়ীদা ম্যান্মারগী তমুদা চংনবগী মোরেদা থুংলম্মী। মণিপুর রাইফলসকী আউট পোষ্ট অমা লৈরম্মী। মতম অদুদা মোরেগী অশানবা কা অমদা কুকি খোংসাই ১৪/১৫ লৈরম্মী। মখোয়না মণিপুর রাইফলসকী সিফাই লাকপদা য়াম্না হরাওনা ওক্লম্মী অদুগা সিফাইশিংনা থুম বেগ ১ হায়বদি বোক্স খাও অমা পীরম্মী। কুকিশিং অদুগী মরক্তগী কুকি অমনা গাইদ তৌদুনা মোরেদগী তমুদা চংলম্মী। হায়রিবা মতম অদুদা মোরেদা কুকি ৩০ য়ৌদে। অনাল, মৈতৈ, মদ্রাজি, নেপালি, পঞ্জাবী অসিনচিংবা খরা লৈরম্মী। মীওইশিং অদো য়াম্না পুকচেল শেংই। অসুম্না অহিং অমা লৈরগা তমুদা ঙন্তা গাড়ী অনীদা চংলম্মী। পোৎ য়াম্না লৈরকই। অসুম্না মোরে টাউন মৈতৈ অমসুং কুকি খরনা ঙাক শেলম্মী, মী য়াম্না ফৈ। থবক খুদিংমক মৈতৈ অমসুং খোংসাইগা তান্নরগা মোরে বজার ঙাক্লম্মী। অদুক্কী মতিক নুংশিননা লৈরম্মী। হায়রিবা মৈতৈগা খোংসাইগা নহারোলশিংদি ম্যান্মারদগী চঙলকপা চিন-কুকি-মিজো মখোয়শিংদি ফত্তবা ৱাখল কয়া মখোয়গী মকোক্তা হাইজিন্দুনা অমত্তা ওইবগী ৱাখল ওইদুনা শাংনা লৈরম্বা চংজফম পীরুবা মৈতৈদা নত্তবা তৌহৈদবা ফৎত্রবা ৱাখলগা লোয়ননা খঙহৌদনা হৌখিবা মে ৩দগী মৈতৈগী য়ূম-কৈ কয়া অমা মৈ থাবা হৌখ্রে। শা-ষণ, য়েন-ঙানু মশীং খঙদনা হাৎখ্রে। য়াম্লবা চুড়াচান্দপুরদগী নহারোল কয়ামরুমগা লোয়ননা সুগী লালহৌবা কুকি মিলিটেন্টশিংনা বোম, নোংমৈ অমদি অফবা মখলগী খূৎলায়গা লোয়ননা ম্যান্মারদগী চঙলকপা ইল্লিগেল ওইবা চিন-কুকিশিংনা মরাল লৈজদ্রবা চুড়াচান্দপুরদা লৈরক্লবা মৈতৈশিংগী য়ূম কয়া মৈ থাদোকপা, নোংমৈ কাপশিন্দুনা মৈতৈ কয়া হাৎলকপা, নোংমৈ চিন্দোলদা মৈতৈগী য়ূমদগী লুট তৌবীখি। মৈতৈদি অসুম্না তৌরক্কনি খল্লুদবনা থৱায়তবু হিংলবদি হায়দুনা মফম খঙদনা চেন্নখিরম্মী। অসিগুম্বা ফৎত্রবা থৌদোক অসি কুকি খূৎলায় পায়বা, মীনুংশি খঙদ্রবা চিন-কুকিশিং ম্যান্মারদগী হাইজিল্লকখিবশিংনা চত্থরকখিবা লানদানি। অসিগুম্বা হায়নীংঙাই লৈতনা অকি অখং থোকহনবা ফৎত্রবা মীহাৎ-মীপূন, ওৎ নৈবা ময়ামসি কুকিশিংনা থোকহনবা মালেমগী চাওখৎলবা মফমশিংদা থোকখিদ্রিবা থৌদোকনি। মসিমগা হায়জগে লম পাম্বদি থুনা শিবনি, অরানবা তৌবনা অরোইবদা মায়থীগনি মসি কাউরোইদবনি।

মোরে হায়রিবা লম অসি মৈতৈ ঐখোয়গী থাদোকপা য়াদ্রবা হকচাং কয়াৎকা চপ মান্নবনি। লোয়ননা য়েলহৌমী চহী কয়াদগী লৈমিন্নবা চীংমী ইচিল ইনাওশিংগী মণিপুরগী মনুং চনবা খ্বাইদগী মরু ওইবা মফমনি। মতম পূম্বদা অৱাগা লান থেংনবদা মফম অসিদা লানবন শাবনি। মরু ওইবা ৱাফম অমনা চরাইরোংবা মহারাজনা নিংথৌ ওইবা মতমদা ইম্ফাল টু মোরে লম্বী অসি চীংমী ফুরুপ কয়া অনাল, পোরৌ তাঙ্খুল, য়াইরিপোক মনীংদা কাইনা ফাওবা তাবা, কবুই মৈতৈ অমসুং মৈতৈ পাঙল অসিনচিংবা ফুরুপশিংগা লোয়ননা লম্বী অসি শেমখিবনি। মহাক্লা লৈখিদ্রবদা মচানুপা পামহৈবা (গরিবনিৱাজ) না মোরে হায়রিবা মফম অসিদা লানবন শারম্মী। ম্যান্মারগী অৱাশিংনা অহুল্লক লান্দারকপা মতমদা মৈতৈ লান্মী ৩০০/৪০০তনা থাঙ-তা অমদি তেনগী মতেংনা জঙ্গলগী লান্দাদা মণিপুরগী লান্মীশিংনা অহুল্লক মায়থীবা পীরম্মী। মরম অসিনা মৈতৈ ঐখোয়না কৈদৌঙৈদসু ঐখোয়গী হকচাং কয়াৎ ওইরিবা মোরেবু কুকিগী মখূৎতা শিন্নবা য়াদে। অসিগুম্বা লুরবা তাঞ্জা অসিদা চুম্না চৎচবা লাঞ্জদবা মণিপুর অমদি য়েলহৌমী ঐখোয়বু মরু ওইনা মৈতৈবু য়াম্না লান্না প্রাইম মিনিষ্টর মোদিগী মমিৎতা উহল্লে। কুকিনা য়ূম মৈ থাবা, মীচম মীয়ামদা নোংমৈ কাপশিনবা, নুপী ওইবী কয়াগী ইকায়খুম্নবা মাঙহনবীবা, শা-ঙা কয়া হাৎতোকপীবা অসিগুম্বা ফৎত্রবা শাজৎ অসি ইন্টরনেটতা উগদবদা করিগী ইন্টরনেট থিংজিন্দুনা মৈতৈ ঐখোয়বু অরানবা তাহল্লিবনো। মরম অসিনা য়াম্না থুনা ইন্টরনেট হাংদোক্তুনা কুকিশিংনা তৌখিবা পূম্নমক উৎকদবনি। মসিনা পূম্নমক খঙবা ঙমগদৌরিবনি। ●

-*বুধচন্দ্র ৱাহেংবম*

হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৭০

১) **"খন্থ খন্থরুরগা নুংঙাইরকপা"** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?

২) **"য়ুরাংফম"** (২০১১) হানা মীংথোনবা লাইরিক অসিগী ওরিজিনেল অদু কনানা ইবনো অমসুং মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে?

৩) **"লম্বী অমদা"** হায়রিবা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো অমসুং কনানা ইবনো?

৪) **"হে ইমা পোক্লফম লমদম ও/পলেম-পোকপী পলেম ও/য়েংঙমদেনে নঙগী ৱারবা নতৌ/উঙমদেনে নীংবা কায়রবা শক্তম/"** শৈরেং মতেক অসি মণিপুর মপানগী অইবা অমগী লাইরিক্তগী লৌথোরকপনি, অইবা অসি কনানো অমসুং মহাক্কী করম্বা লাইরিক্তগী লৌথোরকপা শৈরেং মতেকনো?

৫) **"নোংথাঙনা মুৎখ্রবদা"** হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবনো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুলাই ৩০, নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।